থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সি হায়বসি মশক নাইবা পোৎশক্না?



পুন্সি হায়বসি করিনো? মমিঙচৎপা শৈরেংবা, অইবা লীশিং কয়ানা নৈনদুনা লোইখ্রবা, ৱারেং কয়া, শৈরেং কয়া ইখ্রবা, ৱাহায় কয়া শেমখ্রবা ৱাহংসি - ঙসি অমুক নীংশিংসি।

অফাওবশিংনা হায়রম্বা ৱাহৈশিংদু মখোয়গী লাইরিক-শিংদগী কোখোক্তুনা নৈনসি হায়বা নত্তে। ময়ামগী মতম মাঙহঞ্জরোই। খঙই ঐ-থম্মোয় পাউদম পাবীরিবা পূন্নমক মতম লীক্লা শীজিন্নৈ, ৱাহৈ ৱাকোই খোয়দাদে, তোয়না তাবা পাউদুসু চজীক ওইনা তানীংদে। মরম অসিনা, ঙসিগী পাউদম অসিগী ৱাহৈ অহুমগী শৈহৌসিনা তন্থহনগনি শোয়দনা - চেৎনা থাজৈ ঐহাক্লা। পুন্সি! করম্বা ৱাহৈনা শক্তাক্কনি? ইরন্নাইগী ওইবা ৱাশেম-ৱাহৈ লৈজদে। অদুবু, খঙই 'সিমদি শোয়দনা-শিবা হায়বদু লৈবনা হিংবা হায়বদু খঙবনি, হিংবই মহাও খঙবনা পুন্সি মশক লেপ্পনি। তাইবংপানবা অসিদা থৱায়পানবা পূন্নমক শিবা নাইদবা (অমর) হায়দু ওইরম্মু, হিংবা হায়বা ৱাহৈসিসু লৈরম্লোই। পোক্লবা মতুং, শিবা ফাওবই মতমদুনি 'অহিংবা', হিংলিঙৈদা তৌরম্বা থবক্তুনি পুন্সি। অদু ওইরবদি, পুন্সি হায়বসি শিব'না লৈহনবনি। লানবরা? নুংঙাইবা, য়াইফবা, অৱাবা য়াওদবা অশাংবা পুন্সি ... মীওইবা খুদিংমক্না পাম্লিবদু ফঙলে হায়না লৌরসি। অশিবা হায়বদু মীওইবনা খুদুম চল্লে খল্লসি। ঐখোয় কনাসু শিররোই। শিবা হায়বদু লৈররোইদবনা, হিংলি হায়বা ৱাখলদুসু খল্লক্লরোই কোকসিদা! অদুনদি, পুন্সি মশক তাক্লবা শিবা মশক খঙদবা য়াদে। লাল্লবরা?

তাবা ৱাবরা? ৱাহৈশিংসি লূমনবরা? নোংমা মরূপ অমনা হায়রকখি - থম্মোয় পাউদমগী ৱাহৈ অসি লুমল্লি। মীওইবগী ৱাহৈবু লুবা লায়বা লৈবরা? পুন্সিসিদি লুদরা? নুংথিল পোবোপ্তা মীরোল্লবী নুপী অমদি মমাবু মঙক লেন্দুনা হাৎলম্বা! মপামদা লৈখ্রবী নুপীবু চৎশি য়াদে হায়দুনা মপুরোইবনা হাৎলম্বা! ... ওন্থোক ওন্থোকপা পাউনি তারক্লিবা। 'সিবু পুন্সি কৌবরা? হংনিংলকই ইথন্তা। পোকপা ... হিংবা... পুন্সি ... শিবা... তোঙান তোঙানবা অমমল্লা? নৎত্রগা লোইবা নাইদা চৎলিবা খোঙচৎ অমগী তাঙ্কক অমমল্লা? ৱাখলসিদই থোক্লকই - থৱায় কৌবা পোৎশক অমা। হিংবা-শিবা অনীসি থৱায় মানা থোকহনবনি। থৱায়না হকচাং অমবু থাগোন্নরিঙৈদুনি 'অহিংবা', থৱায়না থাদোক্লবা হকচাংদুবু থাদোক্লম্লগনা 'অশিবা'। অদুদগীদি মরৈ অমা থোক্লক্লে - থৱায় হায়বসি লৈবরা নৎত্রগা লৈতবরা? কনাগুম্বনদি হায়, 'থৱায় হায়বসিদি শিবা নাইদে ... হকচাংসিদি পৎখিনি, থৱায়দুদি মাঙবা নাইদে ...।' অতোপ্পা অমনা হায় ... 'ননসেন্স! থৱায় হায়বসি ৱাখলতনা শাগৎপনি ... তশেং তশেং লৈবা নত্তে ...।' থৱায় লৈ, নৎত্রগা লৈতে। থেসিস অমদি এন্তি থেসিসনি। অনীমক চুন্মি, অনীমক লাল্লি।

অসুম্না, মীওইবগী ৱাখলনা 'পুন্সি' কৌবা 'ষ্ট্রকচর' অমা শেমগৎলম্লিবা, মুন্না অমুক্তং য়েংবীয়ু। নৈনবা য়াম্না নুংঙাইবনি। মান্নদবা ময়াম্না শেম্বনি। হিংবা অমদি শিবনা, অমম্বা অমদি অঙানবগা, নুংশিবা অমদি তূক্কচচবগা, অৱাবা অমসুং নুংঙাইবগা! পুন্সিনা পোৎশক খূদিংমকপু ওন্ন- তৈনবা, মান্নদবা শকওং অনীদা উই ... অওইবা অমসুং ওইদবা, অহৌবা অমসুং অরোইবা, ফজবা অমসুং অথীবা ... অসিনচিংবা। মীওইবনা ৱাখল খনবা হেক হৈরকঙৈদগী তন্থীরকই - অফবা নৎত্রগা ফত্তবা, অনীগী মরক্তা অমা খনগদবনি ... মসি অফবনি, মদু ফত্তবনি, মসি তৌগদবনি, মদু তৌরোইদবনি ...। মী মরকসিদা মী মখল অনী লৈবগুম্না উহল্লকই - অফবা মী অমসুং ফত্তবা মী। তশেংবদি মী মখল অনী থোকপা নত্তে। অফবা অমসুং ফত্তবা, মী মশা অমত্তদা য়াওবা লমচৎ অনীনি। ফত্তবা মী হায়বসি অফবা মীনা ওইরকপনি। ফত্তবনসু অফবা ওইরকপা য়াই। অমম্বা অমসুং অঙানবা তোঙানবা নত্তে অনীসি, মম্লম্বদগী ঙাল্লকপদা, ঙাল্লম্বদগী মমখিবদা পোৎশক অমা উবা ফংবা/ফংদবা খক্তনি, পোৎশক্তুদি লেঙদবনি। তোঙান্না য়েংলোইদবনি। ঐগী অমম্বা কা অদু, নুংথিলদা অমুক ঙাল্লক্কনি, ঙাল্লম্লগা অমুক মমখিনি, কাদুদি অমত্তনি।

পুন্সিনা থম্মোয়দা পীবা ঈহুল (ইমোসন) পূন্নমক্তুগী খ্বাইদই কনবা ঈহুন 'নুংশিবা' হায়বদু নীংশিংলুসি অমুক্তং। ঐখোয়না খোয়দাজবা/বী অমবু নুংশিরুবা মীকূপ্তা খনখি - মহাক্তনা মরোইরে, থৱায়সিসু মাগীনি, হকচাংসিসু কৎখরে... থৱায় হকচাং খাইনদ্রিফাও থাদোকঙমলোই মহাকপু ...'সিবু হেনবা কয়ানি থম্মোয়দুদা ফাওখিবা। অসুম্না কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বী অমগী নুংশিবদা লূপখ্রবা ... নুংশি ৱারী অমগী মরুওইবা শক্তম লৌরুবা অনীদো পুন্সি মশক খঙদ্রবনি খঙবীয়ু। নুংশিবনা নুংশিবা ওইনা শকহোংদনা লৈরবা, ৱারী অদু নুংশি ৱারী ওইররোই। নুংশিবনা তূক্কচবা ওল্লকপা, অশাও-মৈরী চুরকপা-হৌনশানি তাইবংগী। নুংশিবগী ৱাহৈনা চীরোন ৱাহৈ ওইরকপা, ওইনা চাউবী মতৌনা অশাও মৈরী চূরকপা, নুংশিরুবা মহাক্লা ঐবু নমথাক তৌরকপা ... খাংঙমদ' চৈনা ঙাক্তনি। অমৃতগুম খোইথুম্নবা ৱাহৈদুনা হু তরেৎ ওল্লকপা, তানফমদুদা হায়রকপনি ... 'লৌরমদাই তেংনা মানবী, খাইনরমদাই য়োংমানবী ...।' নুংশিবগী অতোপ্পা শক্লোন অমনি - নুংওনবা/খোয়রাংবা/ শাউনীংবা/তূক্কচবা। মপোক অমগী নুংশিবা, চিংনবা অমনা মাঙহল্লি। চিংনবদুনা লাল্লম্বা, তৎনখিবা মরীদুদি অমুক শমজিন্নররোই। অসুম্না অসুম, মরূপ্ন া য়েক্লবা ওইখিবা, য়েক্লবনা মরূপ ওইরকপা - তাইবং মচৎ অমনি। ঈংবা-তপ্পা, (শান্তি লৈবা) হায়বসি লান হায়বদু তৌদনা ওইথোক্তবা অমনি। শান্তি মশক তাক্লবা লান মশক তাকপা তাই। অমনা অমবু তূক্কচবা, নুংশিনদবা য়াওদনা 'নুংশিবা' হায়বদু ওইথোক্তবা অমনি। লাল্লবরা ৱাখলসিবো?

লৌশিং পুক্কৈ

# লৌনগনবা উনশাগী লায়না মখল অমা




ফুরি থুংবা হায়বসি মহীক মখল অমনা ওইহল্লকপা য়াম্না হাক্কৎচবা উনশাগী অনাবা মখল অমনি। মহীক অসিনা উনশা মনুংদা হুৎচিন্দুনা চঙখ্রগা উনশাগী মনুং থংবা শরুক্তা লৈ অমসুং কনাগুম্বা অমগা শোক্ন-শম্নরুবা মতমদা চোংশিন্দুনা লায়না অসি অমুক শন্দোকই।

ক্রিম মচু মানবা অমসুং মখোঙ নিপাল পানবা মহীক অসি লাবদগী অমোম্না হেন্না চাউই। মহীক অমোম্না উনশা মনুংদা হুৎচিন্দুনা লৈখ্রগা মফমদুদা মরুম কোকই। মপুন্সিদা মহীক অমোম অমনা মরুম ৪০ দগীনা ৫০ ফাওবা কোকই। নুমীৎ ১০ দগীনা ১৫ নি ফাওবগী মনুংদা মরুম অমনা মপুং মরৈ ফাবা ফুরিগী মহীক ওল্লকই।

ফুরি থুংবা মতমদা হাক্কৎচবা ফাওরিবসি তশেংবদি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টমনা মহীক ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ওইরকপা থৌওং অমনি। চাংচৎতা মীওই অমদা মহীক ১২ গুম্বা য়াওই। য়েংশিনবীবা ৱাৎলবা অমোৎপা মফমদা লৈবা অঙাংশিংদদি মহীক ১০০ গী মথক্তা লৈবসু য়াওই।

মহীক অসি চোংবা নৎত্রগনা পাইবা ঙমদবা মরম্না লায়না অসি হকথেংননা উনশাগা-উনশাগা থেংনরবা কান্দতা লৌনরকই। অয়াম্বা মতমদা ফুরি থুংবা মীওই অমগা মতম শাংনা খুৎ শোক্ন রুবদগী লায়না অসি লৌনরকপনি। হকচাংদা মহীক খ্বাইদগী য়াম্না পকপা মফমসু খুৎনি। মহীক অসি উনশাদা লৈবা তারবসু করিগুম্বা কান্দা উনশাদগী লাপথোকখ্রগা পুং ২৪ দগীনা ৩৬ ফাওবা অদুমক হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ ফুরি থুংবা মীওইশিংগা তুম্ফম-হীপফম অমদি ফদি-ফীরোল পুল্লোইদবনি। তঙাই ফদনা পুনবা তারবসু ঈশিং অশাবনা নীংথিনা শুদোক-চামথোক্লবা মতুংদা শীজিন্নগদবনি।



করিগুম্বা কান্দা পীক্লিবা অঙাংশিংগী মহৈ তম্ফম লোইশঙ নৎত্রগনা মীয়াম পুন্না লৈমিন্নবা হোষ্টেলগুম্বদা ফুরি লায়না পাক-শন্না শন্দোরকপা থেংনৈ। লৈমিন্নরিবা মীওইশিং অয়াম্বা মতমদা তোৎন-তিন্নদুনা লৈবা মরম্না ফুরি থুংবা অমা য়াওরকপদা অরায়বা মওংদা পাকশন্না শন্দোকখিবা ঙল্লিবনি।

কনাগুম্বা ফুরি থুংবা মীওইশিংনা হাক্কৎচবা হোৎপা হেনমনবদগী উনশা তৎপা য়াওই। অতৎপা মফম অদুদা বেক্টেরিয়ানা ইনফেক্ট তৌদুনা উনশাগী অতোপ্পা প্রোব্লেম অমা ওইহল্লকপসু য়াওই।

ফুরি থুংবগা হাইরপ মান্নবা অতৈ অতোপ্পা উনশাগী অনাবশিং লৈবা মরম্না উনশাগী শরুক খরা খেৎলগা লেবোরেটরিদা চাংয়েং তৌবা নত্তনদি চপ চানা খঙবা ঙমদে।

মতীক চানা লায়েংদুনা ফহন্দবা তারবদি ফুরিগী মহীকশিং হকচাংদা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈগদবা মরম্না মতম চানা হীদাক-লাংথক থাদুনা লায়েংবা মথৌ তাই। কনাগুম্বা অমা ফুরি থুংলকপা মতমদা ইমুং-মনুংগী মীওই পুন্নমক্তা লৌনরকপা য়াবা মরম্না য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। মসিগীসু মথক্তা মহীক চঙখ্রবা মতুং চয়োল তরুক ফাওবদি লাইওং অমত্তা উৎথোরক্তবনিনা অহানবদা পাক-হেক খঙবা ঙমদে। লায়না অসি নীংথিনা লায়েংলগা মপুং-ফানা ফহনবা ঙম্মী। তৌবতবু অনাবা অমা য়াওরকপদা ইমুং হুপ্পা লৌনরকপা য়াবা মরম্না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। লায়েংবা মতমদসু ইমুংগী মীওই পুন্নমক লায়েংদুনা চপ মান্ননা হীদাক থাগদবনি।

লায়না অসি ঙাকথোক্লবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বৈদি ফুরি থুংবা মীগা হকথেংননা শোক্না শম্নরুদবা, ফদি-ফিরোল নৎত্রগা ফমুং পুন্দবা হায়বসিনি। কনাগুম্বা অমা ফুরি থুংলকপা মতমদা অথুবা মতমদা দোক্টরগা তান্নদুনা লায়েং চৎথবা হৌগদবনি। মতম চানা লায়েংদবা তারবদি অতোপ্পা মীওইশিংদসু শন্দোকখিবা য়াই।

দোক্টরনা থারকপা ক্রীম নৎত্রগা লোশন তৈদুনা অমসুং হীদাক-লাংথক চাদুনা হকচাংদা লৈবা মহীক পুন্নমক হাৎতোক্রিবমখৈদি ফুরি থুংবা হায়বসি মশা মথনতা ফজখিগদবা অনাবা নত্তে।

ক্রীম নৎত্রগা লোশন অদু ঙকশমদগী হৌরগা মখা চৎথখিদুনা হকচাংগী মফম শীনবা থুংনা তৈগদবনি। পীক্লিবা অঙাংশিংদদি শমখোঙ অমসুং মায়দসু তৈবা মথৌ তাই। হীদাক তৈশিল্লগা পুং ৮ দগী ১৪ ফাওবা থম্লবা মতুংদা ঈশিংনা শেংনা অমুক চামথোক্কদবনি। তৈব-খক্তনা কান্নবা ফংদ্রবদি দোক্টরনা চান্ন-থক্লবা হীদাক-লাংথক খরসু থারকপা য়াই। মদুদসু কান্নবা ফংদ্রবদি ষ্টেরোইদকী ইঞ্জেক্সন কাপ্পা মথৌ তারকপা য়াই।

অমোৎ-অকায় হায়বসিমক্তবু মহীকশিংগী মকোন শাফম ওইবা মরম্না য়ারিবমখৈ ইমুং-মনুং, য়েন্নখা-লুখা অমদি অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থমগদবনি। মরক-মরক্তা তীলহাৎ হীদাক কাপথোকপসু অদুমক কান্নগনি।

## ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈনবা শক্তমশিং











## লৌফম অমদি ঙায়োক পুখ্রি কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে

ককচিং, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) :

অরোঙ তুরেল অমদি ৱাংজিং তুরেল অনীগী ঈতিনফম ওইরিবা ইকোপ পাৎকী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী পাৎ অসিগা নক্লনা লৈরিবা লৌ পরি লিশিং তরেৎরোম অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে।

নোং লেপ্তুনা চুরকপদগী ইম্ফাল তুরেলগী ঈমায় ৱাংখৎলক্তুনা খেলাখোঙদা কায়বদগী হাজিল্লকপা ঈশিংনা ঈকোপ পাৎকী ঈমায় খঙহৌদনা হেনগৎলকপনি। পাৎ অসিগী ঈমায় হেনগৎলকপনা থৌবাল, খাঙবোক পার্ট ৱান, টু অমদি থ্রিগী লৌকোন কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। লৌহনবী, লাইপাক, সলাম, উমারৌ, অঙোম খোঙ, সোই মখা, কালিখোঙ, সগাই মখোঙ, ফুলো পাল, তেম্থারম লৌকোলশিং ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। ঙাগী অচৌবা ফার্ম য়াঙ্খৈরোমসু ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। লৌমী কয়া অৱাবা ওইনরে।

লৌমী অমনা ফোঙদোরকপদা, লমদম অসোমগী লৌ পরি ২২ রোমদি লোকপা য়াবা ফিভমদা লৈরবনি। ঈশিং থুমজিনখিবনা মাঙলে। ৱারবা লৌমীশিং অসিগী লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

মফম অসিদা বি জে পি মণিপুর প্রদেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট জাদুমনিনা ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা অশেংবা পাঊদম তমদুনা অৱাবা তারবশিংগীদমক করি পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু অথুবা মতমদা হোৎনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ইম্ফাল তুরেল অমদি ইরিল তুরেল অনী পুল্লবা লিলোং তুরেলদগী লিলোং মনুং ফাওদুনা চৎলিবা তুরেল অহনবীগী মথক্তা শারিবা নিংথিখোঙ কায়বদগী লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে। ঙায়োক ফার্ম কয়াসু ঈশিংনা থুমখ্রে। নুঙ্গৈ মৈতৈ, নুঙ্গৈ মুসলিম, খোঙবাল, দোলাইথাবি, হামেংকোক, চীংথক মখা থরোইপোকপী লৌকোল অমদি মোইজিং খোঙ মনুংগী পুন্না লৌ পরি ৮০০ রোম অমদি ঙায়োক ফার্ম কয়া ঈশিংনা থুমজিনখ্রে। থৌবাল মোইজিং খোঙ মনুংগী হৌজিক ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম ঙসি খাঙবোক এ সীগী হান্নগী এম এল এ ও লন্ধোনীনা য়েংশিনখ্রে। ইমুং ১৫০ রোমদা চেঙ কেজি মঙা মঙা, অচাথাও, হৱাই অমদি থুম য়েন্থোকখ্রে।

## য়ুম্ফম য়াওদবা পাউনি: কম্মিটি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) : খুন্দ্রাকপম কে সী হায়স্কুল মনাক্তা লৈরম্বা লৈকাইগী মীওই খরনা চহী নৌরিবী অঙাং অনী য়াওনা মীওই মঙা হুরাল্লি হায়বগী মরালদা তমথিনা ফুদুনা মশম কক্তুনা খোঙ্গোয়বিখি হায়রিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবা শেমজিন শাজিনবনি হায়না জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী ৱাঙাংলোই ৱাংখৈময়ুম গোপেন্দ্রোনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা উনবদা গোপেন্দ্রোনা হায়খি, লংলা লংজিন খুদিংমক জুপিটর অমদি মহাক্কী মনেনা ফোঙদোকপা ৱাফমগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মীওই খরা ফাগৎখিবনি। লাইবক থিবদি ফাগৎখিবশিং অদুগী মরক্তগী অলিটনা মীদিয়াগী থোংদা শীরক্লিবা চার্জ অসি জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি খুন্দ্রাকপমনা য়াবা ঙল্লোই। পুন্নমক্কী থৌদাং জুপিটর অমদি মহাক্কী মনেনা পুগদবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) : নুপীশিংদা চথবা ক্রাইম থিংনবগীদমক ষ্টেট কেবিনেটনা চহী অসিগী জুনদা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লীংনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লম্ফেলগী কোর্ট কমপ্লেক্সতা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট হাংদোকখিবা অসিগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুপী মরুপকী মায়কৈদগী চহী ৪০ হেন্না নুপীশিংদা চথবা ক্রাইম থিংনবা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা লাকখি। ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট লীংনবা খোল্লাওসু লাওদুনা লাকখি। খোঙজং কয়াসু চথখ্রে। নুপীগী ফিভম খরমখৈ ফগৎলবসু অৱাৎপা কয়া অমা লৈরি। নুপীবু তাথি তাওইনা তৌবা অমদি হাৎপা তুপ্পগী থবক লেপ্পা লৈত্রি। ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অসিনা চপ চানা মথৌ পাঙথোক্তুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা থবক পায়খৎলক্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মীয়াম্না থাজবা লৈরক্তবদগী কোংগ্রেসকী হৌজিক ওইরিবা ফিভমসি লাকপনি : জোতিন

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) :

মীয়াম্না থাজবা লৈরক্তবদগী ষ্টেট অসিদগী কোংগ্রেসকী হৌজিক ওইরিবা ফিভমসি লাকপনি হায়বা খঙবা চুমগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট জোতিন ৱাইখোমনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

থাংমৈবন্দদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা জোতিন ৱাইখোমনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লৈরকপা থা অহুমলোমতমক ঙায়রিঙৈ মতম অসিদা কোংগ্রেসকী এম এল এ অমনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্লি। চহী অমমুক্তি লৈঙাক্লা করি তৌরিবগে হায়বদু নীংথিনা য়েংলগা ঙাংবা চুমগনি। কোংগ্রেসনা লৈরিঙৈ মতমদা লোয়শিল্লমদবা থবকশিং বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি লৈরকপা মতমদা লোয়শিল্লকপনি। ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লী মীখলদা সিট ২৮ ফঙলগা লৈঙাক শেম্বা ঙমখিদবদু করিননো হায়বদু খঙজিনবা চুমগনি। মীয়াম্না থাজবা লৈরক্তবদগী কোংগ্রেসকী ফিভম অসি লাক্লিবনি।

থাংমৈবন্দ এ সীগী মনুং চন্না আই এম সীগী ৱার্দ ৩ গী মনুংদা থবক কয়া শুদনা লান্না শেল লৌথোকই হায়বনচিংবা ৱাফম কয়াসু এম এল এ অমনা ফোঙদোকখি। আই এম সীগী ৱার্দ নম্বর থ্রিগী থবকশিংগী মতাংদা থম্লক্লিবা ৱাফম অসি মহাক্না তিন্নরিঙৈ মতমদনা করিমত্তা হায়দ্রগা হৌজিক্তা পার্টি থাদোকখ্রবা মতমদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমনি। পার্টি থাদোকখ্রবা মতুংদা লমন খুমনিংবগী ৱাখল্লোন লৈবগী মওং মাল্লি। তিন্নদ্রবা মতমদা হায়রকপগী মওং অমনি। কোংগ্রেসকী এম এল এ খরসু বি জে পিদা য়াওখ্রগদ্রা হায়বগী মীপায়বা পোক্লকপদগী অসিগুম্বা ৱাফম কয়া অসি ফোঙদোরক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) :

য়ু এন এল এফকী ভাইস চেয়রমেন অয়েকপম ৱাংপানা হন্দক্তা লৈখিদবদা মণিপুর নাগা পীপলস ফ্রন্ট (এম এন পি এফ) না অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি থোমাস ন্যুমাইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, রেভল্যুস্নরি লিদর অমা ওইনা মহাক্না মণিপুরগী রেভল্যুস্নরি মুভমেন্টগীদমক পীরম্বা খুদোলশিং অদু থম্মোয় শেংনা থাগৎলি। মহাক্না লৈখিদবা অসি য়ু এন এল এফকীদা নত্তনা ৱেসিয়াগী ওইনা চাউনা মাঙজবা অমনি। মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মহাক্কী থৱাইনা ঈংনা চীক্লা লৈরুবা ওইরসনু হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## এক্সিদেন্টতা অমা শিরে, মীওই ৯ না শোকপদগী লায়কন্নরি

ককচিং, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) :

ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী পল্লেল আউট পোষ্টকী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল কৈথেলদা ঙসি অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা থোকখিবা লাইবক থিবা এক্সদেন্টগী থৌদোক্তা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অমা শিরে, মীওই মাপন্না অশোক অপন নঙখ্রে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ফঙবা পাউগী মতুংইন্নদি, ঙসি অয়ুক পুং ৮ রোম তাবদা টাটা সুমোন (এমএন০৪ এ/৫২২০) না পল্লেল কৈথেলদা খামদুনা লৈবা ওটোরিক্সো অমগী দ্রাইভরদা থোল্লবা মতুংদা মফম অদুদা খামদুনা লৈবা টাটা মেজিক (এমএন-০১দব্লিউ/৩১৫৬) কী মনিংদা থোমজিনবদা ওটোরিক্সো অদুগী দ্রাইভ শিরগা মীওই মাপন অশোক অপন নংহনখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ওটোরিক্সো দ্রাইভর অদুগী মমীং মাকু পাউল (৪০) অপোকপা মিশাং পাউল কৌই। মহাক টেরাফাই ভিলেজ, পল্লেলদগীনি হায়রি। টাটা সুমো অদুনা খামদুনা লৈবা টাটা মেজিক অদুগী মনিংদা থোমজিল্লবা মতুংদা মফম অদুদা চৎলম্বা অমসুং পোৎফম ফল্লম্বা য়াওনা মীওই মাপন অদু অশোক অপন নঙহনখিবনি হায়রি।

অশোকপশিং অদু ককচিং লমদোংদা লৈবা জীবন হোস্পিটালদা লায়কন্নরবা তুংদা ফিভম থিনা শোকপশিং অদুনা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়রি।

লায়কন্নরিবশিং অদুগী মনুংদা চরাংঙা পিপা টেথাং (৫০), কম্বাং খুল্লেল হায়রিবা মীওই অসিদি ফিভম থিনা শোকপদগী লাঙ্গোলগী শিজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা আই সী য়ুদা থমদুনা লায়কন্নরি হায়রি। থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা টাটা সুমো অমসুং দ্রাইভর অদু ককচিং পুলিসনা ফারে হায়রি। অশিবা হকচাং অদুনা পুলিসনা লৌখৎলগা পোষ্ট মোর্তেমগীদমক রিমসকী মোগতা থমখ্রে হায়রি।

লায়বক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমোইনু দিজল ওটো ওনর্স এন্দ দ্রাইভর্স ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন, ককচিংগী মেম্বর ওইরম্বা ওটোরিক্সো দ্রাইভর মাকু পাউলনা লৈখিদবদা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগী অৱাবসু ফোঙদোরক্লি।

## জিরি কোলেজদা রবর মেন্যুফেকচরিং টেক্নোলোজিগী কোর্স হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০৪ (ঐচ এন এস) :

রাষ্ট্রিয়া উছচাতর শিক্ষা অভিয়ান (রুসা) গী মখাদা পায়খৎপা হায়র এদ্যুকেসনদা ভোকেস্নেলাইজেসন হাঙদোকপগী মনুং চন্না রবর মেন্যুফেকচরিং টেক্নোলোজি হায়বা হীরমদা দিপ্লোমা কোর্স অমা ঙসি জিরি কোলেজদা হাঙদোকখ্রে।

জিরি কোলেজগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা জিরি কোলেজদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা রবর মেন্যুফেকচরিং টেক্নোলোজিগী দিপ্লোমা কোর্স অসি হাংদোকপনি। কোর্স অসি ইকো কেয়র খোঙমন বাসিখোং ইম্ফাল ইষ্টকী মীৎয়েং মখাদা ইন্দষ্ট্রিয়েল পার্টনর অমা ওইনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুদা রিজনেল ওফিস রবর বোর্দ জিরিবামগী ফিল্ড ওফিসর এল য়াইফবা, মণিপুরী দিপার্টমেন্টকী টিঐচ রন্ধোনী দেবী, রবর প্রদ্যুসর সোসাইটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট কুম্ভ মৈতৈ, জি বি জিরি কোলেজগী এক্স সেক্রেটরি মুতুম মাইপাকস্নানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। সেমিষ্টর অনী থোক্না পায়খৎকদবা দিপ্লোমা কোর্স অসিগী মতাংদা নোদেল ওফিসল থোঙাম সোমোরেন্দ্রোনা থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীখি। এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওজা রাধেশ্যাম, হিষ্টরি দিপার্টমেন্টকী জয়কুমার অমদি পোলিটিকেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ডা. এস অরুনকুমারনা ৱা ঙাংখি।


NEWLY OPENED
SCHOLAR HOME GIRL'S HOSTEL
KEISHAMPAT LAISOM LEIRAK MACHIN
T.G. HIGHER SEC. SCHOOL -গী ছাত্রীশিংগীদমক অখন্নবা HOSTEL অমা হাংজরে। HOSTEL অসিনা FEE তানা লৌবা অমদি মমিং লৈরবা ওজাশিংনা SUBJECT শুনা COACHING পীবা য়াওনা খুদোংচাবা ময়াম অমা পীজরি।

FACILITIES :
- Under CC TV Surveilance
- Homely Care Food
- Sound Academic Atmosphere
- 24x7 Electricity & Water
- Lady Warden & Security Guard
- Separate Reading & Bed Room
- All Subject Experience Teacher

FEE ₹ 3,300/- per month

FULL A.C. READING ROOM

No Deposit & Admission Fee

LIMITED SEAT

Contact No. ☎ 7085798348

HL-P/1974/2to14 Jul.